

# সনাৌলৈবাক স্পোর্টস





*গ্লাসগো কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী ইসক্বাসকী ৱুমেন দবসতা শরুক য়াবগা লোয়ননা ঐচ পি সন্ধু বোল য়ৈনবা হোৎনবা*

*গ্লাসগোগী সাইক্লিং ভেলেদ্রোমদা পাংথোকখিবা নুপীগী টাইম ট্রাইয়েলদা শরুক য়ারিবী সাইক্লিষ্ট অমা*

# গ্লাসগো কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস ২০১৪

## ইন্দিয়ানা সাউথ আফ্রিকাবু গোল ৫–২দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে



*গ্লাসগো, আগষ্ট ১ঃ*

গ্লাসগোদা চৎখরিবা ২০শুবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী ঙরাং শান্নখিবা নুপা হোক্কিগী অরোইবা লিগ মেটচতা ইন্দিয়ানা সাউথ আফ্রিকাবু গোল ৫–২দা মাইথিবা পীখ্রে ।

ইন্দিয়াগী নুপা টিম্না মখোয়গী অরোইবা মেটচ ওইনা শান্নগদবা অসিদা দ্রো ওইরবা ফাওবা সেমি ফাইনেল চংগদৌরিবনি । ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদুদা সাউথ আফ্রিকাবু ৫–২দা মাইথিবা পীখিবা অদুদা চাওনা থৌদাং লৌখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই মনপ্রিতনা সেকেন্দ হাল্ফকী মতম লোইগদবা মিনিট ১০ খক্তা ঙাইরবা মতমদা গোল চনবগা লোয়ননা সাউথ আফ্রিকাবু গোল ৫–২দা থোইখিবনি ।

ইন্দিয়ানা গ্রুপ এদা অনিশুবা পোজিসন তাদুনা সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখিবনি । ইন্দিয়াগী অহান্বা গোল অদু ৩শুবা মিনিটতা ভি আর গাঘুনাথন্না পেনালটি কোর্নরদা অশোইবা অমত্তা য়াওদনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি। অনিশুবা গোল অদুনা ৯শুবা মিনিটতা রুপিন্দর পাল সিংহনা চনখিবনি । মসিগী মমাংদা ফংবা পেনালটি কোর্নর অদু সাউথ আফ্রিকাগী গোলকিপ্পর ইরাসমুস পেত্রিসনা সেফ তৌখিবগা লোয়নন ইন্দিয়ানা গোল চল্লগনি হায়না আশা তৌরম্বদু মাংখি ।

মেটচ অদুগী ২২শুবা মিনিটতা রামনদিপ সিংহনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ৩–০দা মাংজিল থাখি । মতুংদা ইন্দিয়াগী ফোরৱার্দ ওইরিবা এস ভিনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ৪–০দা মাংজিল থাবা ঙমখি ।

সাউথ আফ্রিকাগী শান্নরোইশিংনা সেকেন্দ হাল্ফ মনুংদা গোল ২ হন্দোকপা ঙমখি । মেটচ অদুগী ৪২শুবা মিনিটতা সাউথ আফ্রিকাগী অহান্বা গোল চনবা ঙমখি । মখোয়গী গোল চনখিবা শান্নরোই অদুগী মমিং তাইনি পাতোননি । মসিগী মতুং মিনিট ৫ লৈরগা ফংবা সাউথ আফ্রিকাগী পেনালটি কোর্নর অমদা টিম কেপ্টেন ওইরিবা আষ্টিন স্মীৎনা গোল অমগা চন্দুনা ৪–২ লৈখি ।

ইন্দিয়াগী ইরোই লোইবা গোল অদুগা মানপ্রিত সিংহনা সেকেন্দ হাল্ফকী ৫৮শুবা মিনিটতা চন্দুনা ৫–২দা মাইথিবা পীরম্বগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে ।

## পিঙ্কিনা বোক্সিংদা অহান্বা মেদল লৌবী ওইখ্রে

*গ্লাসগো, আগষ্ট ১ঃ*

গ্লাসগোদা চৎখরিবা ২০শুবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী ওইনা বোক্সিং মশান্নদা পিঙ্কিনা অহান্বা মেদল লৌবা শান্নরোই ওইবা ঙমখ্রে ।

ইন্দিয়ানা চৎখরিবা ২০শুবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অসিদা হৌজিক ফাওবদা মেদল ৪৮ ফংবগা লোয়ননা মঙাশুবা পোজিসন্দা অদুমক লৈরি ।

ইন্দিয়ানা মেদল ৪৮ অসিগী মনুংদা গোল্ড ১৩, সিলভর ২০ অমদি ব্রোঞ্জ ১৫ ফংখিবনি । মসিগী মনুংদা বোক্সিংদগী অহান্বা ওইনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখ্রে ।

নুপীগী কেজি ৪৮ দগী ৫১ ফাওবগী কাংলুপ্তা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর পিঙ্কি রানিনা সেমি ফাইনেলদা মাইথিহৌবগা লোয়ননা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি । হৌজিক ফাওবগী ওইনা বোক্সিংগী এরেনাদগী মেদল ফংবা শান্নরোইসু মহাক্লা ওইবা ঙমখ্রে ।

হরিয়ানাদা পোকখিবা শান্নরোই অসিবু ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল বাউত্তা নোর্দন আইরলেন্দগী শান্নরোই মাইকেলা ৱার্লসনা মাইথিবা পীরমখিবনি ।

নোর্ক আউত রাউন্দ ওইনা শান্নরিবা বোক্সিং অসি ক্বাটর ফাইনেল ফাওবদি রাউন্দ ৩ খক শান্নে অদুবু সেমি ফাইনেলদদি মিনিট ২গী ওইবা রাউন্দ ৪ শান্নখি।

নিয়মগী মতুং ইন্না জুরি ৩না বোক্সর অনিগী পোইন্ট পিখি । জুরি এ না বোক্সর অনিমক্কী পোইন্ট পিবা মতমদা পিঙ্কিগী পোইন্ট ৩৮ অদুগা মাইকেলাগীনা পোইন্ট ৪০ পীরমখি । জুরি বি না মাইকেলাদা পোইন্ট ৪০ পীবা মতমদা পোইন্ট পিঙ্কিনা ৩৬ ফংখি । জুরি সি না মাইকেলাদা পোইন্ট ৩৯ পিবা মতমদা পোইন্ট ৩৭ ফংবগা লোয়ননা পিঙ্কিংবু সেমি ফাইনেলদা মাইথিবা পীরমখিবনি।

হন্দক্কী কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অসিগী ক্বাইলিফাইয়িং রাউন্দদা পিঙ্কিনা মণিপুরগী বোক্সর অমদি ওলেম্পিক্তা ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট ওইখ্রবী এম সি মেরি কোমবু মাইথিবা পীরমদুনা ক্বালিফাইদ ওইখিবী শান্নরোই অমনি । ঙসি অথেংবদা সেমি ফাইনেলশিংগী মনুংদা এল সরিতা, এল দেবেন্দ্রো, মান্দিপ অমদি বিজেন্দর য়াওরি ।



**COMMONWEALTH GAMES 2014**

***Medal Tally***

| Rank | Country | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | England | 45 | 41 | 40 | 126 |
| 2 | Australia | 36 | 37 | 41 | 114 |
| 3 | Canada | 27 | 13 | 26 | 66 |
| 4 | Scotland | 14 | 13 | 16 | 43 |
| 5 | India | 13 | 20 | 15 | 48 |
| 6 | New Zealand | 13 | 11 | 15 | 39 |
| 7 | South Africa | 12 | 10 | 15 | 37 |
| 8 | Nigeria | 8 | 6 | 11 | 25 |
| 9 | Jamaica | 7 | 4 | 7 | 18 |
| 10 | Kenya | 5 | 6 | 2 | 13 |
| 11 | Wales | 4 | 10 | 14 | 28 |
| 12 | Malaysia | 4 | 6 | 5 | 15 |
| 13 | Singapore | 4 | 1 | 1 | 6 |
| 14 | Cyprus | 2 | 4 | 2 | 8 |
| 15 | Cameroon | 1 | 3 | 3 | 7 |
| 16 | Papua New Guinea | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 17 | Grenada | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 18 | Botswana | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 19 | Kiribati | 1 | 0 | 0 | 1 |

## ইংলেন্দনা সিনক্রোনাইজ ডাইভিং মিটর ৩গী স্প্রিং বোর্দতা গোল্ড লৌখ্রে

*গ্লাসগো, আগষ্ট ১ঃ*

ইংলেন্দগী স্বুইমরশিংগী মনুংদা ডাইভিংগী সিক্রোনাইজদা শরুক য়াখিবা জেক লোগর অমদি খৃষ্ট মেয়রসনা মিটর ৩গী স্প্রিং বোর্দতা গোল্ড মেদল লৌখ্রে ।

ইদিনবার্গতা লৈবা কম্মনৱেল্‌ঠকী রোয়েল পুলদা পাংথোকখিবা ডাইভিং অদুদা লোগর অমদি খৃষ্টনা গোল্ড ফংবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ইংলেন্দনা মশান্না অসিদা গোল্ড মেদল ৪৫ লৌবা ঙমখ্রে । লেমহৌরিবা নুমিৎ ৩নি অসিদা মেদল কয়ামুক য়াম্না লৌরক্কদৌরি হায়নসু পান্নরি ।

সিনক্রোনাইজদা শরুক য়ারিবা জেগ লুগরনা ডাইভিং মশান্নদা হন্দক্কী অসিগা অনিরকশুবা ওইনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি । মহাক্লা মমাংদা পাংথোকখিবা মিটর ১গী স্প্রিং বোর্দতা গোল্ড মেদল অমসু লৌখ্রবা শান্নরোই অমনি ।

স্বুইমিং মশান্নদা ওষ্ট্রেলিয়ানা অহান্বা চয়োলদা দোমিত তৌখিবগা লোয়ননা স্বুইমিং পুলদগী মখোয়না গোল্ড মেদল ৩৬ ফংখি ।

মসিনা ইং ১৯৯০দগী হৌজিক ফাওবদা পাংথোকপা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা মেদলগী লমজেল তান্নবদা চাওনা মাইপাকপা লৈবাক অমসু ওইরি ।




## ইন্দিয়াগী ভিকাস গৌদানা দিসকস্তা গোল্ড মেদল লৌখ্রে




*গ্লাসগো, আগষ্ট ১ঃ*

ইন্দিয়াগী ভিকাস গৌদানা এঠলেটিক্সগী অহান্বা গোল্ড মেদল লৌবা শান্নরোই অমা ওইবা ঙমখ্রে ।

কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা ইন্দিয়াগী টিম্না রেষ্টলিং অমদি সুট্টিং হায়রিবা ইভেন্টশিং অসিদগী মেদল য়াম্না লৌখ্রবা মতুংদা ভিকাস সিভে গৌদানা এঠলেটিক্সগী ইহান হান্না মেদল লৌবা শান্নরোই অমা ওইবা ঙমখ্রে ।

নুপাগী পাংথোকখিবা দিসকস থ্রো অদুদা গৌনা মিটর ৬৩.৬৪ শান্না লংবগা লোয়ননা গোল্ড মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী মেদল টেল্লিদা গোল্ড মেদল মশিং হেনগৎহন্বদা অচৌবা থৌদাং লৌখি ।

সাইপ্রসকী অপোস্তোলোস পেরেল্লিসনা সিলভর মেদল অদুগা জামাইকাগী জসন মোর্গন্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি ।

নুপীগী পাংথোকখিবা মিটর ৮০০গী লমজেলগী অহান্বা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী তিন্তু লুকা ৭শুবা পোজিসন তাহৌখ্রে ।

## ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ববিতা অমদি য়োকেশ্বরনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে



*গ্লাসগো, আগষ্ট ১ঃ*

কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসস্তা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংগী মনুংদা য়োগেশ্বর দত্ত অমদি বাবিতা কুমারিনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে ।

নুপাগী কেজি ৬৫গী কাংলুপকী ফ্রি ষ্টাইলদা য়োগেশ্বর দত্তনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি । ববিতা কুমারিনা নুপীগী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌখিবনি । হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা হন্দক্কী গেমস অসিদা গোল্ড মেদল ৫ লৌবা ঙমখ্রে ।

ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা হন্দক্কী গেমস অসিদা মশান্না অসিদগী মেদল ১৩ লৌবা ঙমখি । মসিগী মনুংদা গোল্ড ৫নি । গোল্ড লৌখিবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবতা নত্তনা মেদল ফংলকখিবা সুসিল কুমারনা কেজি ৭৪গী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌখি অদুগা য়োগেশ্বর কেজি ৬৫গী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌখি । অমিট কুমারনা কেজি ৫৭কী কাংলুপ্তা গোল্ড লৌখিবনি । নুপীগী কাংলুপ্তা ভিনিসনা কেজি ৪৮গী কাংলুপ্তা অদুগা ববিতা কুমারিনা কেজি ৫৫গী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌখিবনি । মশান্না অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা সিলভর ৬ অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল ২ ফংবা ঙমখি ।

মশান্না অসিদা কানাদাগী কাংবুনা মেদল ১২ ফংবা ঙমখি । মখোয়না গোল্ড মেদল ৭ লৌখিবনি ।

## লি না, য়ু এস ওপন য়াওরোইদৌরি

*পেরিস, আগষ্ট ১ঃ*

মথং থাদগী হৌনা নিউ য়োক্তা পাংথোক্কদৌরিবা য়ু এস ওপন ২০১৪দা চিনাগী টেনিস শান্নরোই অমা ওইরিবী ৱার্ল্ডগী অনিশুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবী শান্নরোই লি না শরুক য়াররোই হায়না ফোংদোকখ্রে ।

ৱার্ল্ডগী অনিশুবা সিদেদ ওইরিবী লি নানা ফোংদোকখিবদা মহাক্কী খুউ য়াদবনা মরম ওইদুনা হৌজিক পাংথোক্লবা হোৎনরিবা দব্লিয়ু টি এগী ইভেন্টশিং, মোন্টেরিয়েল এন্দ ক্লিনিতানি লোয়ননা য়ু এস ওপনগী মহাক ৱিদ্রো তৌগনি হায়না ফোংদোকখ্রে ।

শান্নরোই অসিনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা মহাকপু পুক্কিং থৌগৎপীবা মীওই কয়াদা হন্দক মহাক্লা দব্লিয়ু টি এ ইভেন্ট কয়া অসি য়াওদবগীদমক ঙাকপিনবা ৱাফমসু ফেস বুক্তা ফোংদোক্লক্লি ।


চসি অসিগী মার্চ থাদগী হৌনা মহাক্কী খুউদা অনাবা অমা লৈবনা মরম ওইদুনা মহাক্লা শরুক য়াবা টুর্নামেন্টশিংদা য়াম্না কন্না শান্নবা ঙমদে হায়নসু ফোংদোকখি ।

মশাগী চহি ৩২ শুরবী ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী টাইটল লৌখিবী শান্নরোই অসিনা হৌজিক ফাওবদা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ফংবসি ইভেন্ট ২খক্ত ঙাইরি ।

মহাক্লা অহান্বা ওইনা গ্রান্দ স্লাম লৌখিবসি ইং ২০১১গী রোনেন্দ গারুসতা পাংথোকপা ফ্রান্স ওপন অদুদনি । মহাক্লা মখা তানা ফোংদোকখিবদা মেদিকেলগী কাংবুনা মহাকপু পোথাবা দরকার ওই হায়বদগী হৌজিক মথং মথং পাংথোরক্কদৌরিবা টেনিসকী টুর্নামেন্ট কয়া অসিদা মহাক শরুক য়াররোই হায়না ফোংদোকখি ।



## ৱাশিংটন সিটি ওপনদগী ষ্টেপ জোন্সন লৈহৌরে



ৱাশিংটন, *আগষ্ট ১ঃ*

মফম অসিদা পাংথোক্লিবা সিটি ওপন্দা ষ্টেপ জোন্সন লৈহৌরে ।

ষ্টেপ জোন্সনবু মাপলশুবা সিদতা লৈরিবা ইভোন কার্লোভিকনা ৬–৩, ৬–৭, ৬–৭তা মাইথিবা পিদুনা লৈহৌখিবনি । লোয়ননা চেককি থোমাস বের্দিচনা অহুমশুবা রাউন্দ চংবা ঙমখ্রে ।

জোন্সন্না আমেরিকাগী মঙাশুবা সিত্তা লৈরিবা জোন ইস্নরবু মাইথিবা পীরমখিবনি । মহাক অসি ফুট ৬ ইঞ্চি ১১ ৱাংবা শান্নরোই অমা ওইবগা লোয়ননা জোন ইস্নরবু মাইথিবা পীবা অদুদা এজস সার্ভিস ২৭ তৌখি ।

অতোপ্পা শান্নরোই অমা ওইনা ৱাই কার্দতা চংলকখিবা চেক্কী থোমাস বের্দিচনা মশাগী চহি ২৪ খক্তা ঙাইরিবা কানাদাগী ভেসেক পোস্পিসিলবু ৬–২,৬–৪দা মাইথিবা পীখি । মসিদা চাওরক্লা মিনিট ৮১ চংখি । পোস্পিসিলনা আমেরিকাগী জেক সোক্কা টিম মেট ওইদুনা দবলসতা শরুক য়াগদৌরি । মখোয় অনিনা হন্দক চহিদা পাংথোকখিবা ৱিমব্লেদনগী মেন্স দবলসতা মাইপাকখিবনি ।

শান্নরোই অসিনা কলমবিয়াগী সন্তিয়াগো জিরালদোগা শান্নগনি । মহাক্লা দোমিনিকান রিপব্লিক্কী ভিক্টর এষ্ট্রেলাবু ৬–২, ৬–০দা মাইথিবা পীখিবনি ।

অতোপ্পা মেটচ অমদা কানাদাগী মিলোস রাওনিক্লা ওষ্ট্রেলিয়াগী অহল ওইরবা শান্নরোই লিয়েতো হিৱিতপু ৭–৬, ৭–৬তা মাইথিবা পীখিবনি ।

**17TH MANIPUR INTEGRITY DAY**

**4th August, 2014 (Monday)**

8.30 a.m. : Floral Tribute to the Integrity Pillar, Near Pologround, Imphal
10.30 a.m. : Programme at MDU Hall, Yaiskul Police Lane, Imphal

**LET US BUILD A UNITED STRENGTH AGAINST THE COMMUNAL IDEOLOGY**

- Secular Ideology unites people.
- United Strength is our only weapon in our hand.
- Fighting Communalism is a step towards freedom.
- Let us Live Together, Struggle Together and Grow Together.

**কাংলুপ নায়বা ৱাখল্লোনগী মায়োক্তা মীয়ামগী অপুনবা লীচিং শাগৎমীন্নসী**

- কাংলুপ নায়দবা ৱাখল্লোয়া মীয়ামগী অপুনবা পুরকই ।
- অপুনবা পাঙ্গলনা মীয়ামগী অমত্তা ঙায়রবা খুৎলাইনি ।
- কাংলুপ নাইবা ৱাখল্লোনগী মায়োক্তা মীয়াম পুন্না লেপসি ।
- মীয়াম পুন্না হিংমিন্নসি, পুন্না থেংনমিন্নসি, পুন্না চাওখৎমিন্নসি ।

**AMUCO** **AMUCO**